# মেঘালয়াদা আই এল পি চৎননবা তাল্লিবা দিমান্দবু এম ঐচ এনা য়েংশিল্লি : সী এম কোনরাদ সংমা

শিল্লোং, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট অমা ওইরিবা মেঘালয়াদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) চৎনহন্নবা তৌরিবা দিমান্দবু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)না খন্নরি হায়না মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এসেমব্লিদা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেট লৈঙাক অসিনা মেট্টর অসিবু ফংনবা লেপ্তুনা হোৎনরি অমদি ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা দেল্লীদা তকশিল্লুনবা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা এম এল এ ৬০মক চৎনবসু খন্নরি হায়খি।

লেজিসলেটর পি টি সোকমিনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়গী দিমান্দ অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা খন্নরি অমদি ঐখোয়না মেট্টর অসিবু ফংনবা হোৎনখিগনি অমদি অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লগনি থাজে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ২০১৯গী দিসেম্বর ১৯দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিদা ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহন্নবা সেন্টরদা তকশিনবা হায়না হাউসনা য়েৎনবা লৈতনা তাখিবা রিজোল্যুসনগী মতুং তারকপদগী মেঘালয়া লৈঙাক্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সতা চিঠি কয়া থাখিবা লৈখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মমাং চহীগী জন্যুৱারী ২৩দা শিল্লোংদা লাকখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদসু মেট্টর অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না মেমোরেন্দম অমা পীশিনবা লৈখ্রে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা সোকমিগী ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মেঘালয়া লৈঙাক্না মেট্টর অসিবু ফংনবা নীংথিনা প্লান তৌরি অমদি ষ্টেট অসিদা আই এল পি চৎননবা সেন্টরদা অঙন্বা থাক্তা তকশিনগনি হায়খিবগা লোয়ননা হাউসনা তাখিবা রিজোল্যুসন অসিনা তাকপদি ষ্টেট লৈঙাক অসিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা লুপ্না লৌই উৎপনি হায়খি।

লেজিসলেটর সোকমিনা মখা তানা সংমাদা দেল্লীদা দিমান্দ অসিবু ফংনবা তকশিল্লুগদৌরিবা এম এল এ ৬০না শাবা দেলিগেসন অসিগী লুচিংনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতৌ করম্না মণিপুরনা মখোয়গী ওইবা রিজোল্যুসন অহুম পাস তৌরবা মতুং সেন্টরনা করম্না ষ্টেট অসিদা আই এল পি চৎনহনখিবা হায়বগী ৱাফমশিং থমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হাউসতা থাজবা পীরদুনা এম এল এ ৬০ নেসনল কেপিটেলদা চৎনবগী ৱাফম লৈঙাক্না খন্নরগনি হায়খি।




সেন্টর ফোর রিসর্ছ এন্দ এদভোকেসি মণিপুরনা নোনেগী নুংলৈবন্দ ভিলেজ ওথোরিটিগা খূৎশম্নদুনা ভিলেজ অসিদা ইন্টরনেসনল রিভর্স দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখিবা

## কোংগ্রেসতি পঞ্চায়ট মীখল ফাওবদা উবা ফংলরোই : সী এম হিমন্ত বিস্বা

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
ষ্টেট মঙাগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)না চাওনা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিবু অমুক হন্না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হন্দুনা ঙাংখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বনা ফোঙদোকখিবদা, তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমদা কোংগ্রেস পার্টি অসি মরু ওইররোই। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী মীখলদা থংন-থংননা মায়থীবা নংখিবসিনা তাক্লিবদি গান্ধীগী ইমুংনা কোংগ্রেসপু মায় পাকহনবা ঙমদ্রে তাকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা গান্ধীগী ইমুংনা কোংগ্রেসপু মায় পাকহনবা ঙম্লরোই। লাক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট মীখলদা ফাওবা কোংগ্রেস পার্টি অসি উবা ফংলরোই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ফমখিবা কোংগ্রেস ৱর্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী)গী মীফম্না সোনিয়া গান্ধীবু মখা তানা পার্টি অসিগী লীদর ওইখিনবা লাউথোরকপা মতুংদা ফোঙদোরকপনি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস পার্টি অসিবু অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা পার্টিগী লীদরশিপ হোংদোকপা মথৌ তাই হায়না জি-২৩গী মকোক থোংবা কোংগ্রেস লীদরশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## পুলিস কন্সটেবল অমনা মহাক্কী মীরোনবী নুপীবু কাপ্তুনা হাৎখ্রে

দিব্রুগর, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
অসাম পুলিসকী কন্সটেবল অমনা মহাক্কী মীরোনবী নুপীবু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা দিব্রুগরদা হাৎখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস কন্সটেবল অদুদি দিব্রুগরদগী বিকি চেটিয়ানি। থৌদোক অদু সাদর পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা পুলিস কেম্পসকী মহাক্কী ক্বার্টরদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং পুং ১.৩০ অদুৱাইদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা দিব্রুগরগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্ডেন্ট ওফ পুলিস বিতুল চেটিয়ানা ফোঙদোরকপদা, বিকি চেটিয়ানা মহাক্কী লোয়নবী জয়াশ্রী চেটিয়াবু মহাক্কী সর্ভিস পিষ্টোলনা ঙরাং নুমিদাং কাপ্তুনা হাৎখ্রে। বিকি মশামক্না ক্রাইম অসিবু য়াজবগা লোয়ননা মহাক্কী নুপী অসি ইমুং-মনুংগী নিঙাই শংদান্নবগী হাৎপনি। মহাকপু ঐখোয়না ফারে, মীহাৎ অসি মোটিভ করিনো খঙদোক্লবা ৱাহং-পাউহং চথরি হায়খি।

সোর্ছকী মতুংইন্না মখোয় অনী চহী ৪গী মমাংদা য়ূম্বান লন্বীদা খোঙদামিন্নরক্লবনি। মখোয় দিব্রুগর পুলিস ষ্টেসন মনিংদা লৈবা পুলিস ক্বার্টরদা লৈবনি অমদি নুপী অসি থা ৪গী অঙাং নাওপুরবনি হায়রি।

পুলিস সোর্ছ অমনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদুদা বিকি য়ু ঙাওই হায়রি। মহাক ফোরেন্নর ট্রাইব্যুনেলদা সিক্যুরিটি ওইনা এনগেজ তৌবনি হায়রি।

## ভুবন গম ৱাশক লৌখ্রে

কোক্রাঝার, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
অসামগী মাজুলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী হাঙদুনা লৈরকপা এম এল এগী ফম মেনশিন্নবা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা নৌনা মায় পাক্লকখ্রবা ভুবন গম ঙসি এসেমব্লিদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ভুবন গমবু অসাম এসেমব্লিগী স্পিকর বিস্বজিৎ দাইমারিনা ৱাশক লৌখি।

পনবা য়াবদি, মাজুলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই-ইলেক্সনদা ভুবন গমনা অসাম জাতিয়া পরিষদ (এ জে পি)কী মীরেপ চিত্তরঞ্জন বসুমত্রিবু ভোট মশীং ৪১,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখি।

অসাম এসেমব্লিগী অপূনবা মেম্বর ১২৬ লৈবগী মনুংদা বি জে পিনা হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ৬৩ লৈরি। অদুগা মহাক্কী এলাই এ জি পিনা এম এল এ ৯ অমদি য়ু পি পি এলনা এম এল এ ৭ লৈরি।

## সী এম জোরামথাংঙাদা হাৎকনি কিহল্লকপা ১ ফারে

আইজোল, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জে রামথাংঙাবু হাৎকনি হায়না মহাক্কী সোসল মীদিয়া পোষ্টশিংদা থাগৎলুবা চহী ৩৭ শুরবা নুপা অমা ফারে হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



ফারবা মীওই অদুদি মিজোরামগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা খাওজেল তাওদগী রোদিনলিয়ানানি। মহাক হৌজিক-হৌজিক আইজোলগী চানমারি ৱেষ্ট লেকেলিটিদা লৈরি হায়রি।

মিজোরামগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস জে ন নৈলাইয়ানা ফোঙদোরকপদা চেন্নরিবা রোদিনলিয়ানা এলিয়স অপুই টোচোংনা ফেক একাউন্ট শীজিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা ফেসবূক গ্রুপশিংদা চীফ মিনিষ্টর জে রামথাংঙানা থা অহুমগী মনুংদা রিজাইন তৌদ্রবদি হাৎকনি হায়না থাগৎলকপনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা 'থিংলাং পা' হায়না মিংথোনবা ফেক একাউন্ট অসি সাইবর ক্রাইম পুলিসনা থিজিন্দুনা লাকখিবনি অমদি একাউন্ট অসি রোদিনলিয়ানানা পায়বনি হায়বা খঙলকপা ঙমখিবনি হায়খি।

নৈলাইয়ানা মখা তারদুনা মহাক নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাখিবগা লোয়ননা আই পি সীগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা বূক তৌখ্রে অমদি মহাক ফাবা মতমদা খূৎলায় অমত্তা ফংবা ঙমখিদে হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা চেন্নরিবা মীওই অসি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লাল থানহাওলাদা অশাওবা পোকহনবা অমদি অকি-তুজুংবা পীবা চিঠি অমা ইরুবগী ২০১৮দসু ফাবা লৈখ্রবনি হায়খিবগা লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওই অদুনা মহাক্কী মীদিয়া পোষ্টতা থমখিবা ৱাফমশিং চীফ মিনিষ্টরবু হাৎনবা স্লিপ্পর অমা নেক্লে, চীফ মিনিষ্টর অসি তৌশিন্নবনি ওইদবা ঙাংবনি হন্দক্তা পুথোকখিবা ষ্টেটকী চহীগী বজেটতসু মহাক্কী লন্নাই তোংজনবনি অমদি চীফ মিনিষ্টরনা থা অহুমগী মনুংদা ফম থাদোক্ত্রবদি মহাক্কী পূন্সি অৱাফমদা তাগনি হায়বনচিংবশিংসু হায়খি।

## অখিল গোগোই অসাম এসেমব্লি বজেট সেসনদগী তান্থোকখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
অসাম এসেমব্লিগী বজেট সেসন হৌদোকপগা মরী লৈননা গভর্ণর জগদিশ মুখিনা ৱারোল পীরিঙৈদা বি জে পি লৈঙাক্না ৱাশকখিবা নহা লাখ অমদা থবক পীগনি হায়বা ৱাফম হঞ্জিন-হঞ্জিন হংলুবগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অখিল গোগোই ঙসি বজেট সেসনগী অহৌবা নুমিৎতা এসেমব্লিদগী তান্থোকখ্রে।

স্পিকর বিস্বজিৎ দাইমারিনা গোগোইবু গভর্ণরগী ৱারোল থল্লিঙৈ মনুংদা হাউসতগী মপান থোকখিনবা খঙহনখি। অদুবু গোগোইনা হাউসতগী থোক্তনা প্লাকার্দ পায়দুনা লেপখি মতুং তারকপদা মার্শেলশিংনা মহাকপু মপান্দা ইন্থোকখি।

গভর্ণর মুখিনা ফোঙদোকখিবদা মীখলদা শকখিবা ৱাশক নহাশিংদা থবক লাখ অমা পীগনি হায়খিববু থুংহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিংদা নহাশিং থবক পীনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খি।

গভর্ণরনা ৱা ঙাংলিঙৈ, গোগোইনা নহাশিং থবক লাখ অমা পীবগী ৱাফম খক নৎতনা লৌমীশিংগী ফৌথোক হেনগৎহন্নবা ইস্যুশিং, য়েলহৌমীশিংগী লেন্দ রাইটকী মতাং অমদি ৱাটর সপ্লাই স্কিমদা করপসন তৌবগী মতাংদসু ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

স্পিকরনা গভর্ণরগী ৱারোল পীরিঙৈ য়েৎতনবা হায়রকপা খূদিং গোগোইনা ফমথদুনা লৈখি অমদি গভর্ণরগী ৱারোল লোইরবা মতুং থুনা হাউস হৌখিবগা লোয়ননা স্পিকরনা গোগোইগী সস্পেন্সনবু অমুক হন্দোকখি।

## এন দি এফ বি কাদরশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা কেস ২৭৪ হন্দোকখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী):
লোনা থিংখ্রবা খূৎলায় পায়বা গ্রুপ নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (এন দি এফ বি)গী কাদর ৪২৭গী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা কেস ২৭৪ লৌথোকখ্রে হায়না অসামগী গভর্ণর জগদিশ মুখিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অসাম এসেমব্লিগী বজেট সেসনগী অহৌবা নুমিৎতা গভর্ণরনা ৱারোল পীরদুনা মুখিনা ফোঙদোকখিবদা, বোরো একোর্দকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপশিংগী অপূনবা কাদর ৪,২০৩ রিহেবিলিটেটেদ তৌদুনা লৈরি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হান্নগী এন দি এফ বি কাদর ৪২৭কী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা কেস ২৭৪বু ষ্টেট লেভেল কম্মিটিনা য়েংশিল্লবা মতুং কেসশিং অদু লৌথোকখিবনি। বোরো একোর্দকী মখাদা সরেন্দর তৌরকখিবা কাদর ৪,২০৩দা লুপা ক্রোর ১৬৮.১২গী শেনফমশিং মতেং পাংখ্রে হায়খি।

গভর্ণরনা মখা তারদুনা মমাং চহীগী সেপ্টেম্বরদা নৌনা শেমখিবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ওফ বোরোলেন্দ (য়ু এল বি)গী কাদর পূম্নমকসু পুলিসকী প্রোএক্টিভ এক্সননা মরম ওইরগা সরেন্দর তৌরকখ্রে হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, মমাং চহীগী জুলাই থাদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা সরেন্দর তৌরক্লবা এন দি এফ বিগী কাদরশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা নন-হেনস ক্রাইম কেসশিং অথুবদা লোইশিল্লগনি অমদি নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)দা পেন্দিং লৈরিবা কেসশিংসু ষ্টেট পুলিসতা ট্রান্সফর তৌরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

## CROSSWORD-3474



### ACROSS

1 Thrive (7)
5 Wash vigorously (5)
8 Free of obstructions (5)
9 Fast sailing ship (7)
10 Cleft (7)
11 Ceasefire (5)
12 Metallic element (6)
14 Extend (6)
18 Theme (5)
20 Examine (7)
22 Dietary requirement (7)
23 Anger (5)
24 Tell-tale (5)
25 Fine wool fabric (7)

### DOWN

1 Ocean (7)
2 Signs of things to come (5)
3 Scent (7)
4 Wealthier (6)
5 Canonised person (5)
6 Ecstasy (7)
7 Canal boat (5)
13 Native American child (7)
15 After 1945 (7)
16 Got rid of (7)
17 Small freshwater fish (6)
18 Recordings (5)
19 Impertinence (5)
21 Accurate (5)

**Solution 3473**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | I | S | D | E | N | | S | A | F | A | R | I |
| O | | L | | L | | | | B | | D | | N |
| R | O | U | G | E | | A | D | D | R | E | S | S |
| T | | M | | C | | U | | O | | P | | I |
| H | A | B | I | T | A | T | | M | U | T | E | D |
| Y | | E | | | | O | | E | | | | E |
| | | R | U | D | I | M | E | N | T | S | | |
| E | | | | E | | A | | | | U | | C |
| R | E | B | E | L | | T | U | M | B | L | E | R |
| A | | L | | I | | O | | E | | L | | I |
| S | H | O | T | G | U | N | | A | R | I | E | S |
| E | | O | | H | | | | T | | E | | I |
| D | E | M | O | T | E | | S | H | A | D | E | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3873**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | 9 | 6 | | 5 | | |
| 5 | | | 2 | | | | | |
| 7 | | | | 8 | | 4 | | |
| | | | | | 1 | | 5 | |
| | 8 | 7 | | | | 3 | 1 | |
| | 6 | | 7 | | | | | |
| | | 2 | | 9 | | | | 8 |
| | | | | | 2 | | | 3 |
| | | 9 | | 7 | 4 | 2 | | |

**Solution-3872**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 8 | 6 |
| 7 | 9 | 6 | 8 | 4 | 1 | 2 | 3 | 5 |
| 8 | 5 | 2 | 9 | 6 | 3 | 4 | 1 | 7 |
| 2 | 3 | 1 | 7 | 8 | 6 | 5 | 9 | 4 |
| 6 | 4 | 9 | 2 | 3 | 5 | 8 | 7 | 1 |
| 5 | 7 | 8 | 1 | 9 | 4 | 3 | 6 | 2 |
| 3 | 6 | 5 | 4 | 1 | 8 | 7 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 4 | 3 | 7 | 9 | 6 | 5 | 8 |
| 9 | 8 | 7 | 6 | 5 | 2 | 1 | 4 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR 14 PROFESSOR RECRUITMENT 2022

Professor
Job Location:
Silchar, Cachar, 788011 Assam
Last Date: 16th April 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 14 Posts
Educational Qualification: please refer to official notification
Pay Scale: INR 144200-218200/- Per Month
Age Limit: As Per Rules.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://assamu1.ucanapply.com/recruitment/public/secure?app_id=UElZMDAwM..., On successful online mode of submission, the applicant will come across a link to download a PDF of the application, which he/she will have to print and send the application along with enclosures to the Assistant Registrar, Recruitment Cell, Assam University, Room No. 103, First floor, Raja Ram Mohan Roy Administrative Building, P.O. Assam University, Silchar-788011, Cachar, Assam after appending applicant's signature having it forwarded by his employer (if any), so as to reach by the last date. Submission of hardcopy of application with enclosures is also mandatory.
Important Dates:
Published on: 12th March 2022
Last date for application is: 16th April 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR 14 ASSOCIATE PROFESSOR RECRUITMENT 2022

Associate Professor
Job Location:
Silchar, Cachar, 788011 Assam
Last Date: 16th April 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 14 Posts
Educational Qualification: please refer to official notification
Pay Scale: INR 131400-217100/- Per Month
Age Limit: As Per Rules.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://assamu1.ucanapply.com/recruitment/public/secure?app_id=UElZMDAwM..., On successful online mode of submission, the applicant will come across a link to download a PDF of the application, which he/she will have to print and send the application along with enclosures to the Assistant Registrar, Recruitment Cell, Assam University, Room No. 103, First floor, Raja Ram Mohan Roy Administrative Building, P.O. Assam University, Silchar-788011, Cachar, Assam after appending applicant's signature having it forwarded by his employer (if any), so as to reach by the last date. Submission of hardcopy of application with enclosures is also mandatory.
Important Dates:
Published on: 12th March 2022
Last date for application is: 16th April 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR 14 ASSISTANT PROFESSOR RECRUITMENT 2022

Assistant Professor
Job Location:
Silchar, Cachar, 788011 Assam
Last Date: 16th April 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 14 Posts
Educational Qualification: please refer to official notification
Pay Scale:
INR
57700-182400/- Per Month
Age Limit: As Per Rules.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://assamu1.ucanapply.com/recruitment/public/secure?app_id=UElZMDAwM..., On successful online mode of submission, the applicant will come across a link to download a PDF of the application, which he/she will have to print and send the application along with enclosures to the Assistant Registrar, Recruitment Cell, Assam University, Room No. 103, First floor, Raja Ram Mohan Roy Administrative Building, P.O. Assam University, Silchar-788011, Cachar, Assam after appending applicant's signature having it forwarded by his employer (if any), so as to reach by the last date. Submission of hardcopy of the application with enclosures is also mandatory.
Important Dates:
Published on: 12th March 2022
Last date for application is: 16th April 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




